হুইয়েন লানপাও

ভেটিরিনরি ওফিসার ৩৭ অমুক হন্না থবক তৌহন্নবা তমেংলোংদা ফমখিবা কেবীনেট মীফম্না লৌখিবা ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী শক্তম

লামায় ৩

ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ মহেন্দ্র এক্সপিদিসন কার রেল্লি ম্যান্মারগীদমক মোরেদা থুংলখিবা মনিক সিংহ মহেন্দ্রগী টিম এস দি পি ও কৃষ্ণতোম্বীনা ওকপা

লামায় ১

ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকপা সিখশিংগী ১০ শুবা গুরু ওইরিবা শ্রীগুরু গোবিন্দ সিংহজি মহারাজগী ৩৫০ শুবা প্রকাশ পর্ব থৌরমগী শক্তম

লামায় ৩

খাঙবোক্তা লৈবা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কিন্দরগার্টেন দে ২০১৭কী থৌরমদা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা হৈশিংবা উৎপা

Vol. 41, Issue No.244 লৈবাকপোকপা, পোইনুগী ৯নি পানবা অপুনবা লামায় মশিং ১২ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, November 28, 2017, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৪৭
দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৬২

মোরে থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ : ইন্দিয়া-ম্যান্মার-থাইলেন্দ মহেন্দ্র এক্সপিদিসন কার রেল্লি থা অসিগী ২৪ দা গুৱাহাটিদগী মনিক সিংহ মহেন্দ্র এদভেঞ্চর কম্পেনিনা টিম লীদর ওইদুনা খোঙশাল্লকখিবা অদু ঙসি অয়ূক পুং ১১ তাবদা মোরে ট্রেদ সেন্টরদা থুংখ্রে। কার রেল্লি অদুদা পুন্না কার ২১ অমসুং এক্সপিদিসন টিমগী মেম্বর ৪৮ না শরুক য়ারি। মদুগী মনুংদা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

গুৱাহাটিদা পুরকখ্রে

গুৱাহাটি, নবেম্বর ২৭ : সনা, লুপা অমসুং লৈতেংগী পোৎলমশিং হুরানবগী মতাংদা ভঙ্গাগর পুলিস ষ্টেসননা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা চেন্নবা মীওই মরি কোলকাটাদগী পুরক্লগা গুৱাহাটিগী কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুংদা নুমিৎ ৬ নিগী পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ পীখ্রে। ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসকী মতেং লৌরগা কোলকাটাদগী পুরক্লবা মতুংদা ভঙ্গাগর পুলিস ষ্টেসনদা থমখ্রবা মীওইশিং*...মখা লামায় ৩ কলম ১*

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	77.010732
US Dollar	64.505956
British Pound	86.107329
Australian Dollar	49.249881
Chinese Yuan Renminbi	9.769498
Japanese Yen	0.580997
Malaysian Ringgit	15.704163
Norwegian Krone	7.914717
Singapore Dollar	47.987215
South Korean Won	0.059274
Swedish Krona	7.768956
Turkish Lira	16.45498
Myanmar Kyat	0.04726
Bangladesh Taka	0.76001

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 30117.65
Mumbai	–	Rs 30930.48
Delhi	–	Rs 30374.33
Kolkata	–	Rs 30235.29

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৫.৫১ °C	১৩.৩৪ °C
চান্দেল	২৯.৮২ °C	১১.৭৯ °C
সীসীপুর	২৮.৩৮ °C	১৩.৩৬ °C
ইম্ফাল	২৭.৯২ °C	১২.৩৮ °C
সেনাপতি	২৪.৯৬ °C	৮.১৯ °C
তমেংলোং	২৭.৭১ °C	২১.৫৭ °C
থৌবাল	২৭.২৯ °C	১২.৯৬ °C
উখ্রুল	২১.০১ °C	৮.৭৯ °C
মণিপুর	৩০.১৫ °C	৮.১৯ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০২ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৩৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.২৫
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

HL POLL

Q : Ex-CM, Okram Ibobina NPF cheiribasi Manipurgi integrity kanminnaba pambagini haina loubra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Framework agreementna thokhallakpa khudong chadabasing leingakna thengnaba ngamgadra?

Yes 21% No 79%

অস! লোইরেহে!



সাইকলদুনা ফাওবা য়ারদ্রো...?

ফাওবা হায়বু নেসনল মিদিয়া য়ৌরবনি, হিরোনি ঐসি...!

ইন্দিয়া-ম্যান্মার মীদিয়া ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্বিস অথুবা মতমদা হৌদোক্লগনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

নুমিৎ নীনি চথগদবা ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়াগী ইন্টর-রিজনেল মীদিয়া ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম ঙসি অয়ুক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হোটেল ইম্ফালগী সঙাই হোলদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ইম্ফাল-মন্দলে বস সার্বিস অথুবা মতমদা হৌদোক্লগনি। মসিগী মতাংদা ম্যান্মাররোমদগী লন্নাই ওইনা চেনবা হৌনবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা চেইদুনা খঙহল্লকপা লৈরে অমসুং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনসু মণিপুর লৈঙাক্কী মোত পীরক্লবা হায়রক্লে। মহাক্কী মায়কৈদগী মণিপুর লৈঙাক্লা ৱাফম অদুদা করিসু অয়েৎপা লৈতে হায়না খঙহনখ্রে।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়খি, বস সার্বিস অসি লন্নাই বস সার্বিসশিং চৎহনগদ্রা নৎত্রগা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি)না চেনগদ্রা হায়বগী মতাংদা লৈঙাক্লা খন্নরি। হন্দক্তা মহাক্লা ম্যান্মারদা চৎলুবদা বুদ্ধগয়াদা লাই খুরুম্বা চৎপা ম্যান্মার মচাশিংগীদমক ইম্ফালদা রেষ্ট হাউস অমা শানবগী ৱাফম পল্লকখি। মহাক্লসু ৱাফম অদু থবক্তা ওন্থোকপীনবা য়ুনিয়ন এক্সটর্নেল এফেযর্স মিনিষ্ট্রিদা হায়জখ্রে।

2 DAY INTER-REGIONAL MEDIA INTERACTION PROGRAMME
BETWEEN MYANMAR AND INDIA
November 27-28, 2017 at Sangai Hall, Imphal

ইন্দিয়াগীদমক ম্যান্মার থাদোক্লমদাইদা বুদ্ধিষ্ট মঙ্ক অমনা বুদ্ধগয়াদা চৎপদা মতেং পাংবীনবা হায়জরকখি অমসুং মহাক্কী ৱাফম অদু লৈঙাক্লা খন্নগনি হায়নসু থাজবা পীরমখি। ম্যান্মার মচাশিংনা বুদ্ধগয়াদা চৎনবগীদমক কোলকাটা নৎত্রগা দিল্লিদা ফ্লাইট তোংদুনা লুপা লীশিং ময়াম অমা চাদিং তৌরিবসি কোকহন্নবগী পান্বেদি মণিপুর ফাওরগা চৎপনা ওইগনি। খ্বাইদগী নকপা লম্বী মন্দলেদগী তামুদগী মোরে, মোরেদগী ইম্ফাল তাবসিনা ওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসিনা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরীদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোক্লগনি। ডিমোক্রেসিদদি মীদিয়াগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়নন্না অফবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌহনবা মথৌ তাই। সেপ্টেম্বর থাগী অহানবা চয়োলদা ম্যান্মারগী য়াঙ্গোনদা চৎলুবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা মীদিয়া ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকপগী ৱাফম পুখৎখি। নীংশিংনিংঙাই ওইরবা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অদুনা মরম ওইরগা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপনি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, প্রেস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মার প্রেস *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

ককময়াই খুল মণিপুরগী অহানবা মোদেল এল ঈ ডি ভিলেজ ওইরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মনুং চনবদা লৈবা ককময়াই খুল মণিপুরগী অহানবা মোদেল এল ঈ ডি ভীলেজ ওইরে।

শীংথানিংঙাই ওইবা ফীভম অসি ইন্দিয়াগী অতে ষ্টেটশিংদা লৈঙাক্লা নৎত্রগা মখোয়গী মখাদা লৈবা দিভলপমেন্ট এজেন্সীশিংনা মায় পাক্লা হোৎনজরগসু মণিপুরদদি সোসল ওন্ট্রাপ্রেন্যুর অমনা লৈঙাক্কী মতেং অমত্তা য়াওদনা থবক তৌরকপদগী ওইরকপনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈঙাক পায়রিবশিংগী মায়কৈদগী থাগৎপা নৎত্রগা মতেং পাংবীবা উদ্রি হায়না লৌবা য়াই।

হায়রিবা খুল অসিদা লৈবা য়ুম অমত্তদা এল ঈ ডি টেলিভিজন নত্তবা অতে মখলগী টেলিভিজন শীজিন্নবা লৈতবনা ইন্দিয়াগী ওইনসু এল ঈ ডি টি ভী ভীলেজ ওইরে হায়না লাউথোকপা য়ারবা খুল ওইরে।

অতে ষ্টেটশিংদা ইলেক্ট্রিক বল্ব, ট্যুবলাইট, ষ্ট্রীট লেম্প খক্তা এল ঈ ডি শিন্দোক্লগা এল ঈ ডি ভিলেজনি হায়না লাউথোকখ্রবসু ককময়াই ভিলেজগীদি সী আর টি টিভিগী মহুৎতা এল ঈ ডি টিভিনা ১০০% মহুৎ শিনবা ঙল্লে। এল ঈ ডি ভিলেজ ওইহনবা ঙল্লিবসি গভর্ণমেন্টনা নত্তে, মঙাল রুরেল কৌবা সোসল ওন্ট্রপ্রেন্যুর অমনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মায় ঙাক্লি। চহী অমা অনীসিদা ফার্ষ্ট নোর্থ ইষ্ট সোলর ভিলেজ-অতোম খুমনদা শেমখ্রে, চূড়াচান্দপুরগী নুংথঙ তম্পাক ভিলেজতা চাদা ১০০ লিটরেট ভিলেজ ইন নোর্থ ইষ্ট লাউথোকপা ঙমখ্রবা মতুংদা ঙসিনা হৈরোক এ সীগী মনুংচনবা ককময়াই ভিলেজদা নোর্থ ইষ্টকী ফার্ষ্ট এল ঈ ডি ভিলেজ শেমগৎপা ঙমখ্রে।

লৈবাকসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ডিজিটেল ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী চীং মায়কৈ পাঙলসি হায়বা পান্দমশিং মঙাল রুরেলনা মপূংফানা পাঙথোক্লি। মণিপুরগী মায় পুরক্লবা হোৎনরিবসিদা লৈঙাক্কী ওইবা মোরে এন্দ ফিজিকেল সপোর্ট চঙলিব্রা হায়না খল্লি। পূক্লিং থৌগৎপা তঙাইফদে।

ককময়াই ভিলেজ অসি নোংমগী চরা তাল্লগা হিংজবা লৌমী শিন্নীশিংনা নম্না তাবা খুঙ্গং অমনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক এ সীগী মনুং চনবা চাওরাক্লা ২৮১.১৭ হেক্টর পাক চাউবা মীওই ৬৫৭ লোম খুন্দাবা অপিকপা খুল অমনি। কুমজা ২০১১ গী মতুংইন্না য়ুমকোক ৯৯ লৈরবসু হৌজিক্তি য়ুমকোক ১১০ শুখ্রে। ভোটর মীশিং ৩৭৮ লৈরিবা খুলসি ২০১৭ ফাওবদা চাওরাক্লা মীওই ৮০০ লোম ওইরবা য়াই পানরি।

লৌ উবনা মপূং ওইবা শিনফম ওইবা খুলসিদা বি এ, এম এ লোইরবা মীগী মশিং খূৎ থেকপা য়ারি। লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌবা গভর্নমেন্ট ইমপ্লোয়ী ৭ লোম লৈরে। মখোয়গী মনুংদা রিমসতা পি জি তৌরিবা ডোক্টর অমা য়াওরি। খুলসিদা প্রাইমরি স্কুল অমখক নত্তনা গভর্নমেন্টকী ওফিস অমত্তা লৈতে।

চহী কয়া তোতিগী ঈশিং থকপা ফংদ্রি, কৈদৌঙৈ ফংগদগে হায়বসু মঙলান *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা করিগুম্বা খরদি তৌরকপা য়াই : জোন্সন

Organised by :
Students' Association

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা মণিপুরগী ঙমখৈদা অকায়বা পীরক্তুবসু এন এস সী এন (আই-এম)গী অপাম্বা থুংহন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর মনুংদা করিগুম্বা খরদি তৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট এলাংবম জোন্সননা ফোঙদোকখ্রে।

শিংজমৈ চীংঙামখাদা লৈবা লৈময়োল আর্ট সেন্টরদা পাঙথোকপা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা মহাক্লা হায়খি, মণিপুর মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বগী মায়োক্তা থবক খরা তৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা ঐখোয় ৱাখল তামিন্নবা তঙাইফদে। য়ু সী এম, অমুকো অমদি সী সী এস কেনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুগী মথক্তা অপদেট তৌরগা মেমোরেন্দম অমসু অথুবদা পীশিন্নবা হোৎনরি।

পীশিনগদৌরিবা মেমোরেন্দম অদুদা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিন্দ্রিঙৈদা লৈরম্বা মণিপুরগী শক্তমদা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কম্প্রোমাইজ তৌদবা হায়বা ৱাফম য়াওরি। দিষ্ট্রিক্ট খূদিংদা অমদি কাচিন কোয়া য়াওনা চত্তুনা ঐখোয় পূম্নমক অমত্তা ওইনা ৱাখল তামিন্নবগী থৌরাংসু পায়খৎলগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

কে এস এগী প্রসিদেন্ট এন চেতননা ফোঙদোকখিবদা, কে এস এনা চঙশিল্লক্কদবা অসি একাদেমিক ওইনা মরুওইনা স্কুল, কোলেজগী বিল্ডিং য়েংলগা মহৈ তম্নরিবা অমদি সাইন্স প্রেক্টিকেল য়াওদবা কয়া অসিগী মতাংদা য়েংশিনগনি। স্কুল কোলেজদা লিটরেরি মিটিনচিংবা শীন্দবা, স্পোর্টস ইভেন্ট শীন্দবা, চহী অমদা এগজাম তৌরগা লোইশিনবসি কে এস এনা মীয়ামগা চঙশিনমিন্নরগা শেমদোক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কে এস এগী ভোলুন্টিয়ারশিংনা ব্লদ পীখিবশিংদা এপ্রিসিয়েসন সার্টিফিকেট পীখি। ইনভাইটি কয়াদসু খুদোলপোৎ পীখি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

এয়র দেক্কানগী সার্বিস হৌরগনি

শিলোং, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি) :

লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী হোংবা এয়র সার্বিসশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এয়র দেক্কান চহী অসিগী দিসেম্বর ১৫দগী নোর্থ ইষ্টতা সার্বিস অমুক হন্না লৈহনবা হৌরগনি হায়না শিলোং এয়র পোর্টকী ওফিসলশিংদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

অনৌবা থৌরাং অসি সেন্টরগী উরান স্কিমগী মখাদা প্লেনগী অতোংমলশিং টিয়র টু অমসুং থ্রিগী সিটিশিংদা পুং ১ পাইবদা চাউরাক্লা মীওই অমগী লুপা ২,৫০০গী চাংদা লেপ্লি। অতাবা মমলদা সিটিশিং অদুদা পাইবদা গভর্ণমেন্টনা সবসিদি পীগনি।

এয়র দেক্কানগী ওথোরিটিশিংনা মখোয়গী *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা চীংমী-তম্মী য়েংথিনহন্দৌরে : গাইখাঙম

ককচিং, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকা এন এস সী এন (আই-এম)গা খুৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টনা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নরিবা মণিপুরগী চীংমী-তম্মীশিং য়েংথিনহনগদৌরে হায়না কোংগ্রেস লূচিংবা গাইখাঙমনা ফোঙদোকখ্রে।

হিয়াংলম লাই পাঙ্গলবা কৈথেলদা হিয়াংলম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টতা করি য়াওবগে হায়বা খঙহল্লু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা পাঙথোকপা ৱাকৎ মীফমদা গাইখাঙমনা হায়খি, চীংমী-তম্মীগী মরক্তা য়েংথিননবা শিল্লকপদা ঐখোয়না তুমিন্না লৈফম থোক্তে।

মহাক্লা হায়খি, চীংমী-তম্মী অমদি পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা থমদনা হীরম অসিদা ঐখোয় অমত্তা ওইনা মণিপুরগী ইস্যুনি খন্দুনা খোঙফম চেৎনা লেপমিন্নবা মথৌ তাই। মসিবু চুম্মী চুমদে ফৈ ফত্তে হায়দুনা বি জে পিনা লূচিংবা লৈঙাক অসিনা য়েৎতুনা লৈবগী মহুৎতা মসিদি মীচম মীয়ামগী ইস্যুনি হায়দুনা মীয়ামগী ঈহৌ অসিদা য়াওশিনবনা বি জে পি লৈঙাক্কী হেন্না য়াইফবা ওইগনি।

অসিগুম্বা এগ্রীমেন্ট অমা পুরকপা অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ঙমদে সেন্টরনা তৌগদবা থবক্নি। ইস্যু অমা লোইশিন্নবা হোৎনবদা ইস্যু ময়াম অমা থোক্লনবদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা শিনবীগনু হায়রদুনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুদা করি করি য়াওরি হায়বসি হৌজিক ফাওবা খঙহন্দনা লৈরিবা অসিনা মণিপুরগী মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট শোকপা অরোনবা ৱাফম খরদি লৈ হায়বগী অকিবা লৈবদগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্টকী ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহল্লু হায়দুনা কোংগ্রেস পার্টিনা ৱাকৎ মীফম ফম্বনি।

কোংগ্রেসনা পাল্লিঙৈ মতমদা মিজোরাম, অসাম অমসুং পঞ্জাব একোর্দ কয়া তৌখ্রে। মদু অতোপ্পা থংনরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়ামগী মায়োক্তা ওইখিদে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অসি ঙসি ফাওবা খঙহন্দনা থল্লিবসিনা এগ্রীমেন্ট অসিদা *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

বেঙ্গলোরদা মণিপুরী ১ থাঙনা থিল্লম্লে

বেঙ্গলোর, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সি) :

বেঙ্গলোরদা মহৈ তম্লিবা মণিপুরী মচা অমা হৌখিবা অহিংদা হুরান-চিন্থি তৌবা মীওই মরিনা থাঙনা থিল্লম্বদগী শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি।

নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন বেঙ্গলোরনা থোকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, সোসেম জিমিক কৌবা মণিপুরদগী তাঙ্খুল নহা অমা বাইক তোংদুনা লাকপা মীওই মরিনা থাঙনা থিল্লম্বদগী শোকখি।

ওষ্টিন টাউনদা মচেশিংগা লোয়নন্না লৈবা সোসেমনা হৌখিবা নোংয়াই মতুং পুং ১২.৫০ তাবদা ময়ূম তম্না হল্লকপগী লম্বীদা শকখঙদবা মীওই মরিনা লমখাংদা থাঙনা থিল্লম্বনি। মশাগী চহী ২৪ রোম শুরবা মীওই অদু খুদক্তা সেন্ট ফিলোমিনা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। মোবাইল ফোন অমসুং মশাদা য়াওবা শেনফম পূম্নমক মুন্নবগী পান্দমদা মীওই মরিনা মহাকপু থাঙনা থিল্লম্বনি হায়না শোক্লবা সোসেমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অশোক নগর পুলিস ষ্টেসননা এফ আই আর অমা ফাইল তৌখিবগা লোয়নন্না ইনভেষ্টিগেসন চথুবা হৌখ্রে। খুদক্তা মথৌ তাবা থৌরাং পূম্নমক লৌখৎতুনা মরাল লৈবা মীওই পূম্নমক ফানবা হোৎনরি হায়না অশোক নগর পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর সসাদর এস ডিনা ফোঙদোকখি। অৱাং নোংপোক্তগী লাকপা মহৈরোয়শিংগী মায়োক্তা তমথীবা মখলগী ক্রাইম চথুবগী কেস কয়ামরুম মমাঙদা লৈখ্রবনি। হৌখিবা ওগষ্ট ৩০গী*...মখা লামায় ৩ কলম ২*

লৈবাক লৈহাওদা কার্বোন য়াওবগী চাং ইন্দিয়াগী ষ্টেট অতৈদগী মণিপুরনা ৱাংই : বসন্ত

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক লৈহাওদা কার্বোন য়াওবগী চাং অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরনা ৱাংনা লৈ হায়না আই সী এ আর রিসার্চ ফোর এন ঈ ঐচ রিজন মণিপুর সেন্টরগী সোইল সাইন্সকী সাইন্টিষ্ট ডা. তেন্সুবম বসন্তনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবদা ডা. টি বসন্তনা হায়খি, ওর্গানিক কার্বোন হায়বসি লেংলি পাল্লিবা অহিংবা খূদিংমক্তা য়াওই। কার্বোননা লৈবাক্তা ঈশিং চঙবা অমদি নুংশিৎ চঙবা মতমদা কন্ট্রোল তৌরিবনি। কার্বোন য়াওদ্রবদি লৈবাকশিং নমশিন্দুনা লৈবা মরম্না পাম্বীগী মরা চৎপা ঙমদে। কার্বোন হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

পাম্বীদা ষণথী হাপ্পীয়ু হায়রিবসি ওর্গানিক কার্বোন ফংনবগীদমক হাপ্পু হায়রিবনি। নাইট্রোজেন, পোটাসিয়ম, সলফর, আইরন, কোপ্পর অমসুং জিঙ্ক হায়না লৈরিবা অসিদা মণিপুরগী লৈহাওদা ৱাংলিবসি এসিদনি। এসিদ হায়বসি য়াম্না ৱাৎপা তারবদি ফোস্ফরসকী ন্যুত্রিসন্দা চাদা ৯০ ৱাংনা লৈগনি।

চীংগী লৈবাক লৈহাওদা কেলসিয়মগী চাং য়াম্না ৱাংলি। কেলসিয়ম ৱাৎপা মতমদা সুনু চাইবা য়াম্না ফৈ। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ইথাই বেরাজকী গেট হাংবদা তুরেলগী লৈরায় নমথখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৭ (ঐচ এন এস) :

ইথাই বেরাজকী গেট থা অসিগী ২২গী অহিংদা খঙহৌদনা হাংদোরকপনা মরম ওইরগা হঙ্গুলদগী ইরোং খুনৌ তাবগী তুরেল লৈরায় অমদি লম্বী নমথখ্রে।

লম্বী নমথখিবা মফম অদু ঙসি লমদম অদোমদা লৈবা সিবিল ওর্গনাইজেসন মরিগী মীহুৎশিংগা পি দব্লিয়ু দি, পি ঐচ ঈ দি, ৱাটর রিসোর্সেস দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা লোয়নন্না য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা ইরোং টুকাইরং অম্মোকোককী এদভাইজর রিয়াজুদ্দিন অরিবমনা হায়খিবদা, কুমজা ১৯৮৩দা কম্মিসন তৌখিবা ইথাই বেরাজনা মীয়ামদা চৈথেং পীবগী অৱাবা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈত্রি। বেরাজ অসিগী চৈথেং নংলবা মফম ওইরিবা ৱাবগাই কেন্দ্রগী হঙ্গুলদগী ইরোং খুনৌ ফাওবগী তুরেলগা তায়নবা লম্বীদা মফম ৩৯ হেন্না লম্বী নমথখ্রে।

ইম্ফাল তুরেল অমদি থৌবাল তুরেলগা তায়নফম ওইরিবা মণিপুর তুরেল হায়না খঙনবা তুরেল অসিগী লৈরায়শিং ফীভম শোক্লে। লৈরায় নিংখায়বদা য়ুম, দুকান, কম্যুনিটি হোল অমদি ৱেটিং সেদনচিংবা কয়াদে চাউনা চৈথেং পীরি। খুল কয়ানা খুন্দারিবা হঙ্গুলদগী ইরোং খুনৌ ফাওবগী মফম অসি চহী অসিদা ঈশিং ঈচাউ মরিরক থোকখিবা মরম্না মীয়াম্না চাউনা অৱাবা নংখি।

ঈচাউ থোকখিবগী অৱাবা লোইদ্রিঙৈ মরক্তা থা অসিগী ২২গী অহিংদা মীয়ামগা তানরমদনা ইথাই বেরাজকী গেট খঙহং হাংদোরকপা অসিনা তুরেল লৈরায়শিং কিন্থবনি। তুরেল লৈরায়শিং রিটেনিং ৱাল নীংথিনা চন্দুনা থম্বা নত্তবা মরম্না লৈরায় চাশিল্লে। মপু পান্দবগা পাঙ্খক ওইরবা এ সী অসিগী লম্বীশিং অথুবা মতমদা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা শেমজিনবীয়ু।

ঙসি য়েংশিনবগী খোঙচৎ অসিদা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং শরুক য়াদনবা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

LOAN AVAILABLE

AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur

- Vehicle Loan
- Pension Loan
- Service Loan
- T.V./Laptop/A.C./Refrigerator Loan

হায়রিবা শিং অসি অরাইবা মওংদা অমসুং খুদক্তা লৌবগী খুদোংচাবা পীজরি। ● 100% Free Processing (Vehicle Only)

IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokiaobung B.O. M.G. Avenue, Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in.

HL-P/4725/11Nov-10Dec.

ঈ-পাঞ্জা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫